## কেন্দল ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) :
লমশাং কম্যুনিটি হোলদা নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপ (নিম্পাল)না শীন্দুনা ঙরাং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা কেন্দল ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল এস শান্তি লৈমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মতম কয়াগী মমাঙদগী মীরমগী মীপাল তাঙলগা শুফম নোম্ফম খঙদনা লৈরকখিবা অদু ঙসিদি মীৎ পাংবা মতম য়ৌরে। ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা মশা-মশাগী শিনফম লৈনা মতিং লৈনা থবক শুরবতদা অচঙবা খুন্নাই অমা ওইগনি। মীপাল তাঙবা থাদোক্লসি। ইশাগী শেন্থোক লন্বী লৈনা হিংনবা অৱা-অনা থিদনা কেন্দল শাবগী শিনফম অসি তৌবদা ৱাদনা শেন্দাল লন্বী ওইগনি। ইমুং অমদা অহল, অঙাং খাক্তনা পুন্না থবক শুমিন্নবা য়ারবা শিনফমনি হায়না ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নিম্পালগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবেয়াইমা, সোসল ওন্ট্রপ্রেন্যুর কে অম্বিকান্ত অমসুং ৱার্দ নম্বর ৭ অমদি ২গী কাউন্সীল্লর এ থাজ অমসুং এম থাদোইনা ময়াই তাংবল লৌখি হায়রি।

## শা-ষনশিং হিদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) :
শা-ষনশিং মতম মতমগী ওইবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্নবা হায়দুনা ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা ককচিং খুনৌদা নুমীৎ হুন্নী চপ্পা চথগদবা শা-ষনদা হিদাক কাপথোকপগী থৌরম ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সনসু ওইরিবী ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৩গী কাউন্সীল্লর কে ঐচ লৈমনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা ঙসি অহানবগী ওইনা ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৩ দা লৈবা শা-ষনশিংদা বি ক্যু এফ এম দি ঐচ এস হায়রিবা ভেক্সিন অসি কাপথোকখি অমদি সার্টিফিকেটশিংসু য়েন্থোকখি হায়রি।

## মপান্দগী ফ্লাইটতা লাকপশিংগী...

*লামায় ১গী মখা...* পর্সনেলশিং নৎত্রগা কনষ্ট্রক্সন মেটিরিয়লশিং পুরকপা অতোপ্পা গাড়ীশিংসু চঙবদি য়াগনি অদুবু পার্কিং এরিয়াদা খান্বদি য়ারোই। ট্রকশিংসু এয়রপোর্ট মনুংদা খান্বা য়ারোই। দ্রাইভরশিং অমদি পেসেঞ্জরশিংনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্কদবনি অমদি গাড়ীশিং অদু অমগা অমগগী মরক্তা লাপ্নফম চাং য়েংলগা খামগদবনি হায়নসু ওফিস মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি।

## এন এস সী এন-আই এমগী ফিরেপ...

*লামায় ১গী মখা...*ৱাফমশিং শন্দাইনদুনা কুমজা ১৯৯৭তগী চথরক্লিবা পীছ টোক্কী ফাইনেল দিল অমা পুরক্নবা হোৎনবনি হায়না সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, অতৈ নাগা খুৎলায় পায়বা গ্রুপশিং অমসুং নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপ (এন এন পি জি)শিংগী অপুন্বা প্লেটফোর্ম অমনা মখোয় তোঙানবা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসন য়াওদনা পীছ দিল খুৎয়েক পীননবা শেম-শারে হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

GAS NEWS

**HARAN VALLEY, KWAKTA**
Booking upto : 28/08/2020
Valid from : 13/08/2020.
Please contact Mobile No. 7085412191
Time: 7:30 a.m to 10:30 a.m.

**KHUMBONG INDANE**
Booking upto : 13-07-20
**Sl. No. - 600**
ONLY HOME DELIVERY
Contact No. 7005771527
Office No. 9774068549
WhatsApp No. 8794973019
Time : 7.30am to 10.00am

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking upto : 12/07/2020
Valid from : 10/07/2020
ONLY HOME DEL
Cont. No. 7005934398, 7629076494
Whatsapp No. 9366502930
Office No. 6381538861, 7085557686

**MAIBIA GAS MOIRANG**
BOOKING UPTO : 23/07/2020
VALID FROM : 20/07/2020
STOCK= 576 (19KG--24).
(HOME DELIVERY SERVICE)
**CONTACT NOS.**
1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN--8787381746 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING : 8.00AM TO 12.00NOON.

HL-B/6389/ 19 Sept. to 3rd Oct.

# সেবা সপ্তাহগী থৌরমশিং মফম কয়াদা পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ (ঐচএন এস) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী চহী ৭০ শুরকপা মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা চয়োল অমা চুপ্পা চথগদবা সেবা সপ্তাহগী থৌরম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লখ্রে।

খাঙবোক এসেমল্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা খাঙবোক মৈস্নাম লৈকায়দা লৈবা ডা. খুন্দ্রাকপম অকোইসনাগী য়ুমদা সেবা সপ্তাহগী থৌরম পাঙথোকখ্রে অমদি এসেমল্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী লৈকায় ১৩দা বি জে পিগী ফিরাল চিংখৎতুনা পাইহনখ্রে।

বি জে পি খাঙবোক মন্দল অমদি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট কাউন্সীল মেম্বর ডা. খুন্দ্রাকপম অকোইসনাগা খুৎশম্নদুনা শীল্লিবা থৌরম অসিদা বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট ৱাই কুমারজিৎ, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট কাউন্সীল মেম্বর কে ঐচ অকোইসনা, প্রসিদেন্ট বি জে পি কিষান মোর্চা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হান্নগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ মোমোন, এম দি হমিদুর রহমন অমসুং চৌয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ভাইস প্রিন্সিপাল কে ঐচ ওংবী রধামনি য়াওনা খাঙবোক মন্দল অসিগী করিকর্তাশিংনা মন্দল অসিগী মনুং চন্না লৈবা লৈকায় ১৩ দা হায়বদি খাঙবোক লল্লোং তাংখা লৈকায়, খাঙবোক লল্লোং মখা, খাঙবোক খুনৌ, সঙ্গাইয়ুম্ফম চেরাপুর মখা লৈকায়, সঙ্গাইয়ুম্ফম ইদিগা লৈকায়, সঙ্গাইয়ুম্ফম নুংফৌ, সঙ্গাইয়ুম্ফম সলমমচা পুরৈপোকপী, লমদিং চেরাপুর, সমরাম, ৱাংবল, উয়াল, খাঙবোক অৱাং বংসিবুদোল অমসুং খুল্লাকপম লৈকায়শিং অসিদা কোয়না চৎতুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা বি জে পিগী ফিরাল চিংখৎখি।

বি জে পি ককচিং মন্দলনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী চহী ৭০ শুরকপা মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা চয়োল অমা চুপ্পা চথগদবা সেবা সপ্তাহগী থৌরম থা অসিগী ১৭তা ককচিং সুমাক লৈকায়দা লৈবা জন্নুরাম কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. উশম দেবেন, ভাইস প্রসিদেন্ট, বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা অথোইবা মীথুং, সন্দাম প্রেমিতা, সেক্রেটরি, বি জে পি মণিপুর প্রদেশ (ইন-চার্জ সেদ্যুল কাষ্ট মোর্চা)না থৌরম মপু, নাওরেম নবচন্দ্র, ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট, বি জে পি ককচিং এসেমল্লী কনষ্টিট্যুএন্সি, এম রামেশ্বর, সুখাম দময়েন্তি, সেক্রেটরি সেদ্যুল কাষ্ট মোর্চা, বি জে পি মণিপুর প্রদেশ, কে এস ঐচ নরান, হান্না বি জে পি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অমসুং এস ঐচ শ্যামজাই, হান্না বি জে পি ককচিং মন্দলগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা থৌবাল এসেমল্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা এল বসন্তা এলিয়স ভিম অমদি বি জে পি থৌবালগা খুৎশম্নদুনা থৌবাল কৈথেলদা লৈরিবা লৈতাম্থেম মান্দোপতা থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি থৌবাল মন্দলগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ মংলেম, বি জে পি ষ্টেটকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর এল বসন্ত, বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম কুমারজিৎ অমদি জেনরেল সেক্রেটরি ওপেন্দ্রোনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল এসেমল্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী মনুংদা লৈবা অহল ওইরবা কয়াদা খুদোলশিং তমখি। থৌবাল কৈথেলগী অকোয়বদা ফন্নিবা পোৎফম কয়াদা কোয়না চৎতুনা অচা-অথকশিং য়েনবগা লোয়ননা থৌবাল মেলাগ্রাউন্দগী অকোয়বদা উ চারা কয়াসু থাখি।

# মেন্টেল হোস্পিটাল অথুবদা শাবীয়ু : নুপী মরুপ

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) :
মেন্টেল হোস্পিটাল অমা অথুবদা শাবীয়ু হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট এম শখিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লমশাং এ সীগী মনুংদা লৈবা সলাম ভিলেজ দা ফমুং ৫০ লৈগদবা মেন্টেল হোস্পিটাল অমা শানবগী থৌরাং লৈরবা হোস্পিটাল অসিগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা অয়াবা পীবীনবা চেরোল চহী ১গী মমাঙদগী থাখ্রবনি। মসিগী এজেন্সীনা সী এমনা পায়রিবা মণিপুর পুলিস হাউজিং কোওপরেসন ওইগদবনি। অদুবু চহী অমা হেল্লবা ফাওবদা করি অমত্তা চেক মোক লাউদে। কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ মতমসিদা মীপুম খূদিংমক ৱাখল লায়না নাবগী চাং হেনগৎলকপা রিমস হোস্পিটাল, জেনিমস হোস্পিটাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট খরদা সাইকিয়াট্রি দিপার্টমেন্ট লৈজরবসু তোঙানবা হোস্পিটাল লৈতবনিনা লায়েংবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মালেমগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড মেন্টেল হেল্থ দে-১০ ওক্টোবর, ২০২০ না লাকপসিদা অনৌবা তোঙানবা হোস্পিটাল অমা অথুবদা শাবীনবা নুপী মরুপনা দিমান্দ তৌরি।

চহী কয়াগী মমাঙদা মিনিষ্টর পরিজাৎনা হেল্থ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা ৱাখল তৌজরকখিবা মেন্টেল হোস্পিটালগী মঙলান মায় পাকহনবীয়ু হায়না ঙসিগী লৈঙাক্কী হেল্থ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরকপনা সুইসাইদ তৌবগী চাংসু হেনগৎলক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হান্না মশা মতোমদা থবক শুজদুনা শিনফম কয়াদা শু-নোমদুনা হিংজরম্বা মীওইশিং, শুফম চৎফম লৈতবনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। লায়না-লাইচৎ মরক্তসু হিংদবদি য়াদবনিনা হান্না হিংলম্বা পুন্সি মহিংদগী তোপ তোপ্পা পুন্সি অমা হিংনবা হোৎনবা মথৌ তারে। মতাং অসিদসু লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি পুন্সি কয়া হিংবগী মহাও য়াওদ্রে হায়না মতোমতা সুইসাইদ তৌবগী চাং ৱাংখৎলকপা য়াই। সেপ্টেম্বর ১০ ৱর্ল্ড সুইসাইদ প্রিভেন্সন দেদসু অহল ওইরবা চহী ৭৫ রোম শুরবা নুপা অমা সুইসাইদ তৌখিবা অদুনি। মরম অদুনা মীওইবা কয়াগী পুন্সি কলহৌনবগীদমক য়াম্না থুনা মেন্টেল হোস্পিটাল শাবীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) :
থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (টি দি দব্লিয়ু জে য়ু)গী চহীগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা চৎলিবা চহী ২০২০ দগী ২০২২ ফাওবগী থৌ পুগদবা এগজিক্যুটিভ কন্মিটিগী মেম্বরশিং খনখ্রে।

য়ুনিয়ন অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট সোইবম বিনোয়না মীফম মপু ওইদুনা থৌবালদা পাঙথোকপা চহীগী ওইবা এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং অদুদা খনখ্রবা এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা এ আই আরদগী সোইবম বিনোয়, ভাইস প্রসিদেন্টতা আই এস টি ভিদগী এ কে রাজেশ অমসুং নহারোল থৌদাংদগী ঈ রামেশ্বর, জেনরেল সেক্রেটরিদা সনালৈবাক্তগী রবি তখেল্লম্বম, জোইন্ট সেক্রেটরিদা ঈচেল এক্সপ্রেসতগী এম দি অবাস শৈক, ট্রেজররদা পোক্নফমদগী ৱাই বিশ্বর্জিৎ, ওদিটরদা সঙাই এক্সপ্রেসতগী কেনেদি চকপ্রম অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংদা সলাইচা মপুদগী এন ৱাংলেন অমসুং এস লাইঙমনি হায়রি।

# চেক অপ তৌরবা মতুং লেম্না আনোক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) :
বি জে পি ওইনাম মন্দলনা শীন্দুনা ঙরাং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী চহী ৭০ মপুং ফারকপগী মপোক কুমওন সেবা সপ্তাহ (সর্ভিস ৱিক) থৌরমগা মরী লৈননা কৈনৌ থোংখোংদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা ওইনাম এ সীগী মীওই কয়াদা লেম্না আনোক য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা কৈনৌ থোংখোংদা লৈবা বি জে পি ওফিসতসু ফিরাল চিংখৎখ্রে।

ওইনাম এ সীগী মনুংদগী মরুওইনা শোথরবা ইমুংশিংদগী আনোক লৈবা ঙমদদুনা লৈবা অহল কয়াদা ঙরাং চেক অপ তৌরবা মতুং মশা-মশাগা চান্নবা আনোক লেম্না য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা এ সী অসিগী এম এল এ, এল রাধাকিশোরনা চীফ গেষ্ট, বি জে পি ওইনাম মন্দলগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মঙ্গিনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট অমসুং সী ঐচইবোহল, ষ্টেট সেক্রেটরি, কিষান মোর্চা বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ, এল রাধাকিশোরনা হায়খিবদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লান্থেংনরিবা অসিদা ঐখোয় পুন্না ৱাখল তানা লৈমিন্নবা মথৌ তাই। অমনা অমগী মতেং পীনবা মথৌ তাই অমসুং লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা থবক কয়া অসি ইলেক্টেদ মেম্বরশিংনা মীয়ামদা মপুং ফানা খঙহনবা মথৌ তাই। মীয়াম্বু লান্না লমজিংন্দুনা ইশা নুংঙাইনবা খক হোৎনরোইদবনি। লৈঙাক্না পীরিবা কান্নবা পুন্বা মীয়ামদা চপ চানা য়ৌহনগদবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক কুমওনগী চয়োল অমা অসি ঐখোয় পুন্বা হরাওনা শরুক য়ামিন্নসি অমদি প্রাইম মিনিষ্টরগুম্না ঐখোয়সু খুন্নাইগীদমক অফবা থবক কয়া তৌবা ঙম্নবা হোৎনরসি হায়খি।

## এইমসকী থৌমী...

*লামায় ১গী মখা...* পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকপদা সী জে এম ইম্ফাল ৱেষ্টনা বেল পীখিবনি।

## পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিব ওইবা...

*লামায় ১গী মখা...* পোপ্যুলেসনগীনা মীওই ৬৭৯৭ অমসুং সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি পর্সনেলনা ১৯২৭ নি। হৌজিকফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশিংনা ৬৭২৩নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৫১১২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পসনেল ১৬১১ য়াওরি। ফগৎলকপগী চাং অসি চাদা ৭৭.০৬ ওইরি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ১৯৪৬না এক্টিব ওইরি। এক্টিব ওইরিবা কেসশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনা ১৬৩৩নি অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলনা ৩১৩নি।

কোভিদ-১৯গী দেদিকেটেদ হোস্পিটালশিংদা ইন্সপেক্সন তৌনবা, সুপরভিজন অমসুং গাইদেন্স পীনবা ষ্টেট কোভিদ ট্রিটমেন্ট টিম অমসু শেম্লে। টিম অসিদা ওফিসল ১১না শরুক য়াগনি। লোয়ননা কন্মিটি অসিনা পেসেন্ট ক্যের সর্ভিসকী থবকশিং ফগৎহন্ননবা সজেসন অমদি ফীদবেকশিং পীবা য়াই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ‘রেপ কেস কম্প্রোমাইজ তৌবা য়ারোই’

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর এল্লাইয়ন্স ফোর চাইল্ড রাইটস (এম এ সী আর)না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না হন্দক্তা ময়াং ইম্ফাল গেং রেপ অমসুং মীহাৎতা শুপ্নগী চহী ১৪ দা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা লৈখিদবগী থৌদোক্কী মতুং থা অসিগী ১৫ দা মোরে টাউনদা শুপ্নগী চহী অহুম মখায়দা ঙাইরিবী অমদা সেক্সুএল এসোল্ট চথখিবা অদু লোগী মতুংইন্না কম্প্রোমাইজ তৌবা য়ারোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

এম এ সী আরনা ফোঙদোরক-খিবদা, মখোয়না ফংবা পাউগী মতুংইন্না চহী নৌরিবী অঙাং নুপীমচা অদুদা চথখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ভিক্টিম অমসুং ওফেন্দরগী ইমুং-মনুংশিংগী ওইবা মরক্তা য়াশিন্ননবগী থবক পায়খৎলকখি। হায়রিবা থৌদোক অসি পোক্সো এক্টকী সেক্সন ৬কী মখাদা মোরে পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর অমসু লোজ তৌখ্রবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা এম এ সী আরনা মরী লৈনবশিংদা রেপ কেসকী মতাংদা নাকল অনীনা য়াশিন্নবা পুরকপগী লোগী ৱাংমদা লৈরিবা মওং অসি তৌবীদনবা হায়রক্লি। চহী অহুম মখায়দা ঙাইরিবী নুপীমচা অদুগী মথক্তা চথখিবা রেপকী ক্রাইম অদু পোক্সো এক্টকী মখাদা ‘এগ্রেবেটেদ পেনিট্রেটিব সেক্সুএল ওফেন্স’নি। এক্ট অসিগী মতুংইন্না মরাল লৈরবা মীওই অদু য়ামদ্রবদা চহী ২০ কৈশুমশঙদা লৈহনবা নৎত্রগা মপুন্সি চুপ্পা কৈশুমশঙদা লৈহনবা নৎত্রগনা শিবগী চৈরাক ফাওবা পীবা য়ারিবনি।

করিগুম্বা মরাল লৈবা মীওই অদু চহী নৌরিবা ওইবা তারবসু কেস অদু জুবেনাইল জষ্টিস (ক্যের এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্ট ২০১৫গী প্রোভিজনগী মখাদা ৱায়েল চথগদবনি। ইন্দিভিজ্যুএলগী থাক্তা য়াশিন্নবগী ৱাফম লৈতে হায়রি।

এম এ সী আরগী কোওর্দিনেটর ইবেমচা অয়েকপমনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারদুনা লূপ অসিনা মোরে পুলিসতা থৌদোক অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবীদুনা ঙল্লিঙৈ মতমদা মরাল লৈরবা অদুবু ফাদুনা চৈরাক পীবা অমদি মরক্তা য়াশিন্নবগী থৌওং অমত্তা লৈহল্লোইদবনি হায়খি।

## নুপী ৪ য়াওনা ম্যান্মার নেসনল ১২...

*লামায় ১গী মখা...* চেরোলশিং পীরকখি হায়রি।

ঙসি খুৎশিন্নখিবা অসিদা আই সী পি, মোরেগী মেনেজর রোবিন দাংতেসু শরুক য়াখি হায়রি।

পনবা য়াবদি কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক লাকপদগী হৌখিবা জুন থাদগী ঙসিফাওবদা মোরেদগী ম্যান্মার নেসনল ৪০০ হেন্না খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## সেপ্টেম্বর ২১দা মণিপুর বন্দ...

*লামায় ১গী মখা...* খঙদে হয়বা ঐখোয়গী খোল্লাউ মালেম শিনবা থুংনা য়ৌহনগদবনি। ঙসি ঐখোয়না লৈরি ফিভম অসি খম থেংনা মরায় চায়থরকপগী তাঙ্কক অদুনি হায়না এন আর এফ এমনা লৌই। অসিগুম্বা তাঙ্কক অসিবু য়ৌননবা অহানবা নুমিৎ ওইখিবা সেপ্টেম্বর ২১ খ্বাইদগী থম্মোয় শোকপা নুমিৎ অসিদা ঐখোয়না করিগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লোইরিবনো হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

### মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**নাওরেম জোনসন, ককচিং মখা লৈকায়**

ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্না মীয়াম্বু মশা-মঔ ফনা থম্নবা লায়রবশিংগী য়াম্না ফবা খোঙথাং অমা ওইনা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ হায়বা স্কিমনচিংবা হৌদোরকখিবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। মতাং অসিদা লৈবাক অসিগী মীচম অমা ওইনা থমজ নিংবা ৱাফমদি স্কিম অসিগী মতাংদা লৈবাক মীয়াম্না কান্নবা কয়াদি ফংনখ্রে। অদুবু হকশেলগী মতাংদা অপীক-অপীকপা দিষ্ট্রিক্টশিংদা থেংনবির প্রোব্লেম মচা কয়াদি ঙসিসু অদুমক হোদুনা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঙসি-ঙসিমকসু ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর অসি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী থাক্তা ওনখৎপীরগনি হায়না লাউথোকপীখ্রবসু ঙসি ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরকপা থেংনদ্রি। লোয়ননা হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা অমুক্কা হেন্না মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে। অৱাৎ-অপা কয়া অসিগী মতাংদা মীদিয়াদা পাউ কয়া ফোঙখ্রবসু থোইনা কান্নবা হায়বদু ওইদ্রি। মসিনা তাকপদি মরী লৈনবশিংনা মীদিয়াবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপীরবসু মখোয়না হোৎনজরিবশিং থোইনা লুম্না লৌবিদে তাকপনি। হীরম অসিগী মতাংদা মীয়ামগীদমক খন্দুনা থম্মোয় শেংনা থবক তৌবিরিবা চীফ মিনিষ্টরগী পুক্নিং চিংশিনজরি।



**সোরাইশম য়াইসনা, হৈয়াইকোন মনিং লৈকায়**

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীয়াম পুন্বা ৱানরে। চৈরক অসিদা লৈবাক অসিগী চাওখৎপগী লন্বীসু থেংথনবা হায়দুনা স্কিম কয়া অমদি প্রোজেক্ট কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি। মসিমক য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। মদুনা লৈবাক মীয়ামদা থৌনা অমসু পীদবা নত্তে। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা কা হেন্না ৱারবা মীচমশিং খন্দোকপীদুনা মতেং পাংহন্নিংই। মরমদি লৈবাক মীয়ামগী মীৎমাংদা হেক তশেংনা উদ্রবসু কা হেন্না ৱারবা ইমুং কয়া অমা লোন্না-থুপ্না লৈরি। ৱারবা মখোয়গী মতেং পাংবনা হেন্না লৈবাক মীয়ামগী অপেনবা হায়বদু ওইগনি। অমরোমদা হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯ লৈবা মরমনা লাইরিক তম্বা য়ারক্তনা লৈবা থা মঙা হেনজিনখ্রে। অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্লম্বা প্রাইভেট স্কুলদা ওজা ওইরিবশিংগী ফীভমসু লৈঙাক্না য়েংশিনহন্নিংই। মরমদি প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিং থাগী তোলোপ ফংলক্তবা থা কয়া শুখ্রে। তোলোপ ফংদবদগী ৱানা লৈরিবা ওজাশিং অসি লৈঙাক্কী স্কুল ফগৎহনসি মিসননচিংবা থৌরম কয়া পায়খৎলক্লিঙৈ মমাংদগী অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্তুনা লাকখ্রবনি। মীওইবা হায়বসি অমনা অমগী মতেং পাংনদ্রগদি হিংবা ৱাই। মতেং পাংনবনা চাওখৎপা হায়বদু ওইগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ONLINE
DRAFTING & EDITING

* NO MORE WORRIES ABOUT WRITING IN ENGLISH
1. Application drafting and editing for all purposes.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing articles for newspaper and magazines.
4. Drafting applications or representations.
5. Editing applications or representations.
6. Classes IX to XII home work and project work are also done to help students.
7. Translation from Manipuri into English.

** The above services are provided in English only through online.

For details please contact :
8974642764
Or write to :
phoenixrhymeschool@gmail.com

HL-B/6353/4/9-2/10 (alt)

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE
FOR
NEET(UG) ASPIRANTS - 2021
* 20 STUDENTS PER CLASS (ONLY EFFECTIVE OFFLINE CLASS)
* FREE STUDENTSHIP FOR MERITORIOUS STUDENTS (LIMITED SEATS)
Forms available @ Apollo Office.
FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.
HL-B/6387/19

# GOVERNMENT OF MANIPUR
# DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE
## NOTICE
### Imphal the 14th September, 2020

**No.9/183/2012-SW(Pt):** It is hereby to informed that, under the Provision of **Section 74 of "Juvenile Justice (Care and Protection of Children) Act,2015"and Section 23 of "The Protection of Children from Sexual Offences (POCSO) Act,2012"** disclosure of identity of Children who are victims of rape/sexual assault is strictly prohibited even in the case of deceased victims because the memories of a departed soul cannot be sullied/dishonoured.

➢ **Section 74 of the Juvenile Justice (Care and Protection of Children) Act, 2015 states that;**

**Sub-Section(1)** : No report in any newspaper ,magazine, news-sheet or audio-visual media or other forms of communication regarding any inquiry or investigation or judicial procedure ,shall disclose the name ,address or school or any other particulars, which may lead to the identification of a child in conflict with law or children in need of care and protection or a child victim or witness of a crime ,involved in such matter ,under any other law for the time being in force ,nor shall the picture of any such child be published.

Provided that for reasons to be recorded in writing, **the Juvenile Justice Boards (JJBs) or Child Welfare Committees (CWCs),** as the case may be, holding the inquiry may permit such disclosure, if in its opinion such disclosure is in the best interest of the child.

**Sub-Section (2):** The police shall not disclose any record of the child for the purpose of character certificate or otherwise in cases where the case has been closed or disposed of.

**Sub-Section (3):** Any person contravenes/disobey the provisions of Sub-Section (1) shall be punishable with imprisonment for a term which may extend to six months or fine which may extend to two lakh rupees or both.

➢ **Section 23 of the Protection of Children from Sexual Offences (POCSO) Act,2012 states that;**

**Sub-Section (1):** No person shall make any report or present comments on any child from any form of media or studio or photographic facilities without having complete and authentic information ,which may have the effect of lowering his/her reputation or infringing upon his/her privacy.

**Sub-Section (2):** No reports in any media shall disclose, the identity of a child including his name,address,photographs,family details,school,neighbourhood or any other particulars which may lead to disclosure of identity of the child.

Provided that for reasons to be recorded in writing, the Special Court, competent to try the case under the Act, may permit such disclosure, if in its opinion such disclosure is in the interest of the child.

**Sub-Section (3):** The publisher or owner of the media or studio or photographic facilities shall be jointly and severally liable for the acts and omissions of his employee.

**Sub-Section (4):**Any Person contravenes/disobey the provisions of Sub-Section(1) or Sub-Section(2) shall be liable to be punished with imprisonment of either description for a period which shall not be less than six months but which may extend to one year or with fine or with both.

**It is appealed to all concerned to avoid disclosing the identity of any victim of rape/sexual assault and honour her/his dignity.**

Sd/- Ngangom Uttam Singh
Director (Social Welfare) Manipur

HL-B/6384/17,19,20